Sunday, October 23, 2022, Imphal

HUEIYEN LANPAO

"যূদে শৌনা তাঙজা লিলহা, থিংদে পলনা মলয়া নুংশিৎ,
থূক্তে শৌদা, য়েংদে পলদা, নুংশিবগী নুংশিৎ।" -মীনকেতন

# শৈরেং

## নীনি পানবা হিয়াঙ্গৈ

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

লাক্লে অমুক
মায়থোঙ মকা-লাম্না
মোমোন মোমোন
নোক্লদুনা,
নীনি পানবা হিয়াঙ্গৈ
নিংঙোলশিংনা মপাম
লমদম পাংনা থা।
যূমগী মবুং মৌপ্পা ওইবশিংগা
লোয়ননা মথেল লুক্কোই
কয়াগা লোয়নরদুনা,
মচে, মচল, মনে, মন্দোলশিংগা
হরাও মোমোন নোক্লা,
পন্থৌগী মাঙ্গোল অচৌবা
য়েৎ-ওই, খা-ৱাং পূন্না
ফমিন্নদুনা
পলেম পন্থৌ ওইবশিংগী
পূক্নিং ৱাখল পেঞ্জবা
মচা নিংঙোলশিংনা হরাও
তয়ামজবা উরগা
কয়াগী মতিক পেঞ্জবা,
নীনি পানবা হিয়াঙ্গৈ
নোক্ল-নোক্লা বীদায় পীবা তারেদো।

## ঐগী মরুপ

—প্রমোদিনি অহোঙশাংবম

অঙৌবা লৈচিল মরক্তা
ইন্থম উনলেন পুদুনা
লাক্লে হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা কোরৌসু
কংলৈপাক ইমাগী মশাইকোল
মশীং থিঙমদ্রবা মৈতৈ নিংঙোল কয়ানা
খূৎশা থেক্লা ঙাইজরকপা
নিংঙোলশিংগী মোমোন মীনোক তন্নথা।
পলেম পন্থৌ, ইবুং ইপ্পা, ইচিল ইনাও
পূন্নমক হরাও মথোই কাজনা
নিংঙোল ওইবীশিং ওকচরি পন্থৌ খরাই থোঙ্গালদা
খুনিং কাঙ্গাং খূবাক লাইখন থা
ইখৌলাংলা মিৎয়েংনা মিৎস্না থম্বাল কুপ্পুনা।
কনা লৈজদ্র কনানা মিৎকী পিরাং শিন্থনা
হরাও মীনোক্কী মরুমদা
মপোক থীরবা পুন্সিবু নোংদম্বদা তাইশিন্না
নাথৈদুনা হিংলি নুংঙাইবগী শম্বল ৱাংমদা।
মিনোক্কী ফিজং মরুমদা
হিংবগী মীংদা খাংলি চৈনা কয়া
উবীনবা লৈত্রবা থম্মোয়গী মৈশালক্তা
নাইতোম তারবা পুন্সিগুম কনা লৈজদ্রবা
ঙাকখৎপীনবা লৈত্রবা উরি উনাগুম
খোঙদাফমতা ওইবিরবা তাইবঙ কনানা।
উরুরগা সনা সরকথক
কেনা মৌনা চৎচবা লাইবক ফবী কনাবু
শিন্থরি অরোনবা পিরাং থম্মোয়দা
ফংদ্রবদা মবুং মৌপ্পাগী মীনুংশি অমত্তসু
নীংশিংলদুনা খম্নুং শৱা তানখ্রবা পলেম পন্থৌ নুংশিবা
খোঞ্জেল থোক্তা থম্মোয়দা নুংহিক্লনা খাংজবা
নিংঙোল ওইবী কনানা লাকহন্নীংদে কোরৌসে।
কনা অমনা তেংথারি কনা অমনা তল্লি মীনোক
হিদান্নরি অচাওরমগী ঈপাক্তা
তৈশিল্লি ফজবা চৎনবীবু
শীংনদুনা অমোৎপা হঙ্গৈবা মচৎ কয়ানা
লাপথোক্লহল্লি থম্মোয়গী নুংশি মরীসু।
মতমগী কল্লবা নোংলৈনা হুমদুনা পুখ্রবা
মৈহৌরোলদগী চৎনরকপা ফজবা শক্তম
মাঙথরক্লগদ্রা মীপাইজৈ খুন্নাইসিদগী
পামজরুবনা থম্মোয়গী অশেংবা নুংশি মরী
কলকচরুবনা নুংশিবা থৌজাল মবুং মৌপ্পা কয়াগী
খৌরাংনা ঙাইজরকপনি ঙসিসু
হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা কোরৌসে।

## পূন্না চাক চামিন্নসি

—ইরোম মোবি

মমা মপা নৎত্রগা মবুং মৌপ্পানা
নৎত্রগা অপূনবনা
মৌগী শীংদা চনখ্রবী
মচা, মচে-মচনশিংবু চাক কৌরনি।
হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা
তোমথিন ওইরবা নুমিৎ
নিংঙোলশিংনা খ্বাইদগী খোয়দাজবা
খ্বাইদগী চাওরবা কুম্মৈনি।
চীংগী নিংঙোল মীতৈ পাঙল নিংঙোল
পূন্না চাক চামিন্নরনি।
নিংঙোল চাক্কৌবদি
নুংশি চান্নবা অমদি অপূনবা শাগৎপনি।
নুংঙাইখ্রবা চাওখ্রবা কুম্মৈ অসিদা
হোমদা লৈহনখ্রবা মমা মপাদি
চামিন্নবা, খুরুমজবা ফংলরোইদ্রা ?
মমা মপাসু পিরাং শিন্থগনি
মচা মশুসু অদু মঙাই।
পিরাং শিন্থনবা কুম্মৈদি নত্তে
নিংঙোল চাক্কৌবা।
মমা মপাদি মীৎনা উবা লাইনি মচাশিংগী।
অহল ওইরক্লবা শোল্লক্লবা
মচা মশুগী মতেং পাল্লক্লবদা
হোমদা থম্বীবা চুমদে।
মচা পোকচবগী মশু ফংজবগী
খুয়া তুশিৎনা লাইগী মনাক য়ৌহনসি।
অরিবা মতমদগী চৎথরক্লিবা
ফজরবা লীচৎ শাজৎ মাঙহনগুমসি
চাওখৎপগী মতৌ তম্লবসু
ঐখোয়গীসু তমহনসি
মমা মপা মচা মশু পূন্না
চাক চামিন্নসি।

## মতমগী খোঙচৎ

—ডা. অকোইজম ইবোহল

মেরা থাদা তাংজবী
সনা মানবী সনারৈনা
চবুন চবুন লৈশাৎ তম
পুদুনা লাক্লে মৈগী কুম্মৈ,
যূমথোঙ খুদিং লংলনি
পুমঙান ঙাল্লনি নুমিদাং
চেনখ্রগনি কিরদুনা অমম্বা
মেরা থাগী থাশুগী;

লেপ্পা লৈতনা চৎখিবা
মতম মাগী খোঙচৎতি
ঐনা নঙনা থিংঙমদেদো,
শারম্বা কোরৌগী মৈশাসু
তপ্পা তপ্পা মেংথরক,
অযূক য়েন্দা অঙনবদা
মালেম লৈমা ইমাসে
লৈচিল ইন্নফি থোল্লক্লে;

মায়কৈ ফাংনা ওংখ্রবী
যূম্নাক শাগৈ হোংখ্রবী
ইনে, ইচে, ইচনশিংদো
মপাম লমদম নুংশিবনা
খূৎলাম তোয়না কৌরবদা
হরাউ হরাউ চেন্নরক্লনি,
নীনি পানবা হিয়াঙ্গৈ
নিংঙোল চাক্কৌবনা থুংলবদা;

তাইবঙ মপুক থাক্লিবী
খারি লৌরক নুংশিবী ও
নঙগী নতম্বাক্তা হৌরিবা
চরোং চুল্লবা ফৌ পাম্বীশিংনা
হাইরপ নাপু চঙলকপদা
কয়াগী মতিক হরাওজরিবা
লৌমী মখোয়তা নত্তনা
তাইবঙ পানবা পূন্নমক্লা।

## নীনি পানবা হিয়াঙ্গৈ

—ডা. নির্মলা রাজকুমারি

অমুক য়ৌরক্লে হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা
খৌরাংনা ঙাইজবা নিংঙোলশিংনা।
ময়ূম পানখ্রবী নিংঙোলশিংগা
মবুং মৌপ্পাগগী মরীদু অচেৎপা
উৎলিবনি কুম্মৈসিনা।
মবুং মৌপ্পানা মচন মচেগী খুদোল তমজবা
মচল মচেনা মবুং মৌপ্পাদা
য়াইফ পাউজেল পীদুনা
উৎলিবনি নুংশিনবগী মরী।
নীংশিংলকই ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ
চৎখিবদো মামগী যূমদা ইমাগী তুং ইন্দুনা
ফনেক ময়েক নাইবা অমা শেৎ
রেসম ফুরিৎ অমা লীৎ
কোমলা লফোই কবোক খরা পুদুনা।
মামগীদা চাখিবা ঙাতোনদো
কাউদ্রি ঙসিসু।
নুংঙাইবা ফাওদ্রে ঙসিদি
নিংঙোল চাক্কৌবা লাকপদা
নুংশিরবা পন্থৌনা ঙাইরম্বদো
নোকমি নোকমি ঐখোয়না লাকপা।
হাঙলবা পন্থৌ মাঙ্গোল।
উররোই নুংশিরবী ইচেনা
মচা মশু ময়ামগা
হরাও হরাও লাকপদো।
নীনি পানবা হিয়াঙ্গৈ
নঙদি লাকখিনি অদুম
কুমওন কুমওন খুদিংগী।
অদুবু উররোই নুংশিরবা পন্থৌদি
উররোই নুংশিরবা ইচেদি।

## লোনা/আইননা য়াহনখ্রবরা?

—এম নিলকুমারী

হরাওরে নুংঙাইরে অনৌবনি
গভর্ণমেন্ট, সাসন মকোক ঙাওরে।
য়ু ঙাওহন্দুনা শেল তানগদ্রা
লল্লোন পোৎ ওন্থোক্তুনা মীরমদা য়োনগদ্রা?
আইনগী অয়াবা পীথোক্তুনা
অঙাংসু অহলসু নুপীসু লৈশাবীসু চপ মান্নবা ঙাওহল্লু হায়
মচা অচৌ খায়দনা পূন্নমক লল্লোন পোৎ ওল্লসিরা?
চহী লেঙ্গা খায়রবসু
খূৎতা চেজেৎ পায়দুনা লাইবক্তা থেৎতুনা
লিগেলাইজ তৌরে হরাওসিরা?
ও: য়ু-দসু লৈঙাক্কী থৌদাং
মসিদি ওইথোকপা য়াগদ্রা নৎত্রগা ওইথোক্লোইদ্রা
কনানা লোগী/আইনগী চে পায়বা
কনানা চে পায়দবা য়েক্তুম মনা লেংবদগী হেন্না লুগদ্রা?
করম্না আইনগী থোঙদা লেপ্পুগনি যুগীদমক
ফরে মথংদদি
ৱাদুনা তোকচখিবা ওইরসনু
মমা ওইবী লোয়নবী ওইবী কয়া ৱাদবা ওইরসনু
চৎনবীগী লংলানা পুনবনি খন্দোকহল্লো
আইন্না য়ারবা য়ু থকপা কয়া
নোক্লা নোক্লা মফম খঙদনা
ঈশিংদা তুরেলদা তাদুনা শিহৌরে য়ু ঙাওবদো
চঙনা শ্বর্গ কাখরে থিংবীদ্রবনি মখূৎ মখূত্তা
অপাম্বগী চেজেৎ পায়রবনি অরাইবনি হায়গদ্রা
অরুবনি হায়গদ্রা চপ মান্নরগদ্রা?


## শিদবা মী

—ডা. রঞ্জিৎ মঙাং

মীওইবনা হিংলিঙৈ মতম
মীয়ামগী থবক তৌরল্লবা
মীরোলনা মহাকপু শোন্নহৌগনি
শিদবা মী অমা ওইগনি।

মতম মতমগী ৱাখল

# মণিপুর কৌবী ইমাও
# লৈপাক নীংবা শৈথাবা শৈরেং লাইরিক অমগী মপাউ




লৈপাক নীংবা হায়বসি অঙাং ওইরিঙৈদা করিনো খঙদে। অঙাং ওইরিঙৈদা লৈপাকনীংবগী শৈরেংদি য়াম্না থীরকই। স্কুলদা পাংথোকপা থৌরম খর- সরস্বতি পুজা,অগষ্ট ১৩, মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী নুমিৎ অমদি অগষ্ট ১৫, ভারতনা নীংতম্বা ফংবা নুমিৎকী থৌরম অসিনচিংবা থৌরম অহুমসি সুংসোই শোয়দনা অঙাং ওইরিঙৈদা শরুক য়ারকখি। থৌরমশিং অসিদা শৈরেং থীবা, অথোয় অহেন তান্নবসি তৌনরম্মী। শৈরেং থীবা য়াওনবগী মিং পীখৎনৈ। থীগদবা শৈরেংশিং লাইরিক্তা য়াওবা তম্নরিবা শৈরেংনা অয়াম্বনি। অতৈ শৈরেং থীবগী থৌরাং লৈরক্তে। শৈরেং লাইরিক হায়বা অমা তোঙান্না থেংনরকখিদে। অয়াম্বা থীনবা শৈরেংসু লৈপাক নীংবনি। অগষ্ট ১৩,অমদি ১৫ অসি লৈবাকনীংবগী শৈরেংশিং শোয়দনা থীনৈ । শৈরেং য়াম্না লৈতবনা শৈরেং অমদা মী অনী অহুম হঞ্জিন্না অদুমক থীনরকখি। শৈরেংশিংগী মরক্তা খ্বাইরাকপম চাউবগী- 'নিজবা' অসি মহৈরোই অয়াম্বনা থীনৈ ।

"নিজরোই ইমা অতেপ্পা, অমা পলেম খুয়া খাদা। মিহৌজদে লনসু কল্লকউদে মিংচৎসু। পাম্মুদেকো অৱাংবা খুভম। পীবীয়ু মফম, লেনজগে মতম পলেমগী নুংশিবা তম্পাক্তা। ইমানা তন্বীবা নৱাগী খোঞ্জেলনা শকচগে মপুগী খোঞ্জেল ।" অরাম্বম দরেন্দ্রজিৎকী- 'ঈরৈবাক' শৈরেং অসিসু পাম্না থীনরকই - 'ঈরৈপাক ঈরৈপাক উজদ্রি নঙগুম্বা, নঙগুম্না নুংশিবা পূক্নিংগী পেন্নবা । নোংপোক্কী কোরৌ খোঙথাফম, ভারতকী শমজি লংদাইফম, প্রকৃতি ইমাগী নুংঙাইবা শান্নফম । " হিজম ইরাবোৎকী- 'ইমাগী পুজা' ঙসিসু নীংশিংলি- " চিক্লবা অহিংগী থেংলবা তাংলৌগী ঈংলবা থাবন্দা, মিরবা খোঞ্জেন্না ইমা কৌরিবা কনানো ?" শৈরেং খরসি হঞ্জিন হঞ্জিন ঐখোয় মহৈরোয় খরনা অদুম থৌরম খূদিংগী থীদুনা লাকখি। লাইরিক ওইনা তম্নবনিনা চিনফাসু অদুম পুনৈ । শৈরেং অহুমসিগী মনুংদা অমা ফজনা চিনফা পুরগা লৎতনা খূৎ শাগা য়াওরগা থীরবদি মনা অদুম ফংবা ঙম্মী । মণিপুরবু পল্লগদি লৈপাক নীংবনি হায়না ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা খন্নখি।

লাইরিক তম্বা কারকপদা স্কুলগী এসেম্বলি তৌবা হায়দুনা ময়ামগী লুচিংবা অমা হাপ্লগা মহাক্লা মাং থংলগা 'শাপধন বিশ্রাম' হায়না লাওদুনা ময়াম চাং মান্ননা ড্রিল নুংতিগী তৌই। ড্রিল লোইবগা " জন গন মন অধিনায়ক্কা জয়হে ভারত ভাগ্য বিধাতা.." ঈশৈ অসি ময়াম পূন্না শকমিন্নৈ। 'জন গন মন' শকপা লোইরগা ক্লাসতা তুমিন তুমিন চঙনখি। হৌজিক মণিপুরদা লৈরিবা স্কুলশিংদা মসি শক্লখিদবা, উখিদবা কুইরে । লন্নাই লিংখৎচবা মহৈতম্ফম খরদি মখোয় মখোয়গী স্কুলগী ঈশৈ শেমদুনা অঙাংশিংদা ফাওবা তম্বীদুনা শক্লহনবা য়াওরি । মসি অফবনি অদুবু লৈবাক নীংবদি য়াওবা থেংনদে । মরু ওইরিবদি লৈপাক নীংবনি। ঐখোয় ঙসি লৈবাক নীংবা হায়বসি কাওথোক্লবগুম তৌরি । লৈবাক নীংবগী নুংশিবা তম্ফমদি মহৈশেঙদগী ওইগনি। স্কুলদা লৈপাক নীংবগী ঈশৈ শক্লবা অমত্তংগা য়াওহল্লগদি কান্নগনি খল্লি ।

পোক্লফম ইরৈবাক ইরমদম নুংশিবা হায়বসি অৱাংবা ৱাখল্লোন্নি, ফিদম্লিংঙাইনি। লৈপাক নীংবা হায়বসি ঐখোয় কাওথোকপা য়াদে । লৈপাক নীংবগী শৈরেং ঙাক্তা ইরগা লাইরিক ফোঙলকপা হায়বসি হৌজিক্কী ফোঙনরিবা শৈরেং লাইরিকশিং অসিগী মনুংদসু তাংনা থোক্লিবা অমনি। ইরৈবাক ইরমদম নুংশিবগী ৱাখল ফোঙদোকপা নিরঞ্জন উসমনা ইবা 'মণিপুর কৌবী ইমাও' হায়বা শৈরেংগী লাইরিক অমখক্তি থা খরগী মমাংদা ফোঙখ্রে । শৈরেংগী লাইরিক অসিনা নৌনা ঐখোয়দা মীকপ থোকহনবগুম্না ফাওরক্লি । লৈপাকনীংবগী শৈরেংসি মথক্তা খরা পঞ্জখিবা অদু নত্তনা ঙল্লিঙৈগী শৈরেংদা অখন্ননা লৈপাক নীংবা ঙাক্তগী ওইনা লাইরিক ফোঙবসি খরা তাংনা থোকখি। লাইরিক অফোঙবশিংগী মনুংদা শৈরেং লাইরিকসি মীনা কয়া পানিংনদে । অঙনবা মতমগী লৈপাক নীংবগী হায়রিবা অসিসু শৈরেং ময়ামগী মনুংদা অমা অনী লৈপাক নীংবগী শৈরেং ওইনা য়াওবগী ৱাতনি। লৈপাকনীংবগী মতাংদা ইবসি চূনবা শৈরেংবসু থেংনৈ । খুদম ওইনা -হিজম ইরাবত, অরাম্বম সমরেন্দ্র পনবা য়াই । মখোয় মশাদি মরৈবাক নীংবা মী অশেংবসু ওইখি। মখোয়দি তৌশিন্নখিদে । মখোয়না লৈপাক নীংবগী ঈশৈ খর ইদুনা থম্বীরম্মী। ঈশৈশিং অসিনা ঐখোয়বু থৌনা পীরি। ঈশৈ য়াম্না ইখিবা নত্তে । মখোয়গী শৈরেংগী লাইরিক্তা অমা অনী হাপখিবগী ৱাতনি । য়াম্না ইখিদবগীরা খঙদ্রে খরখক ইবীরম্বদু লোইনমক ফজবা ওইখি।

ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালনা ঈশৈ ময়েক কৌবদা লৈপাক নীংবগী ঈশৈ শৈরেং য়াওদবা য়াদবা অমা ওইনা লাকই। লৈপাকনীংবা ঈশৈ হায়বসি অসুক্কী মতীক মরুওই হায়বসি ঐখোয়গী লমদম অম্বাইদা কয়া থৌ ওইনা খন্নদে । ঐনা নীংশিংজবা কাওঙমদবা অমখক লৈরি । মরৈবাক নীংবগী ঈশৈ অসি মীরৈবাক নোর্থ অমেরিকা, অমদি রশিয়া লৈবাকশিংদদি পীক্লিবা অঙাংদগী হৌনা মরৈবাক নীংবা তমহল্লি। মরৈবাকপু শৈথাবা ঈশৈ শৈরেং থিহনবা অসি য়াম্না থেংনরকখি। ক্যুবাদগী পান অমেরিকা নেস্নেল হাইৱেদা চৎলগা ইক্কেদর হায়বা লম অমখক ১৯৯৩দা চৎচখি । স্কুলগী অঙাং ময়াম অমনা ঐখোয় থুংলবদা, মরৈবাক শৈথাবা ঈশৈ অমা শক্লগা ঐখোয়বু ওকলমখি। ক্যুবান মরোন্নি- Salave, oh Patria, mil veces! Oh Patria, gloria a ti! gloria a ti ! Ya tu pecho, tu pecho rebosa, Gozo ya paz,Ya tu pecho.....(English translation:---We salute You, Our homeland..Oh homeland We greet you thousand times .Glory be to you.. Brighter than the Sun shining we see..)

ঈশৈ ওইনা তাবদা থুক লাওবা অদুগা শৈপান্দ্রিবা লৈপাক নীংবা ঈশৈ ওইবা য়াবা ঐখোয়গীসু য়াম্না লৈরি। ঈশৈ ওইনা শৈপান্দুনা শকখিদবগী ৱাতনি শৈপান্দ্রিঙৈদদি শৈরেংনি। খুদম ওইনা নোংমাইথেম পহারিনা শকখিবা বি,জয়ন্তকুমারগী ময়েক্তা লৈখিবা- 'খোল্লাং লমন শিংঙমলোই নঙগী মীনুংশি চাউবী ইমা..।' অতোপ্পা ঈশৈ অমদনা- 'হো ইমা পোক্লফম ইমা নঙগুন্বী লৈতে ইমা লাপ্পা চৎতুনা কোইনা থিদুনা নঙগুন্বী ফংলোই ইমা..।' অতোপ্পা রুপ রাগা কাঙবুনা শকখিবা ঙরাং নহান্তা মণিপুরগী ষ্টেট শোংনি লাওথোকখ্রবা -'সনা লৈবাক মণিপুর কোলোয় নঙগী মণিপুর, লাইজনুংগী মণি নারক্কী লৈরাং পীকতক্লা মঙাল চাউবীনি' অসিনচিংবা লৈপাক নীংবা ঈশৈশিং লৈরি । লৈপাকনীংবা শৈরেং খরদি তাবদা তু চুংবা, পাবদা খাঙবা ঙমদদুনা পি তাবা য়াওবসু লৈরি ।

নিরঞ্জন উসমনা ইবা "মণিপুর কৌবী ইমাও" হায়রিবা শৈরেং অসি মমিং অসিনা লৈপাকনীংবা শৈরেংনি হায়বসি খঙবা ঙম্মী। শৈরেংগী অহৌবসি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোনদা শাগৎলগা ইবা শৈরেংনি। লৈপাক নীংবা হায়বসি ইথন্তা নীংবনা য়ারোই ময়ামগী অমত্তা ওইবা মতৌ অদুগা লোয়ননা নুংশিননা নীংমিন্নবনা অপূনবা নুংশিবা ওইগদবনি হায়বসিনা হান্না হৌরি । মহাক্কী শৈরেং ১৩৩ অসিদা চৎলিবা শৈথাবগী খোঙচৎ অসিদা অখেঙবা, অরাঙবা য়াওদে । ঈংনা তপ্পা চাং অমা পুরগা চৎলি । অইবগী ৱাখল্লোননি মহাক্কী অপাম্বনি। অতৈ লমদমসিগী হান্না লৈখিবা লৈপাকনীংবা শৈরেং খরগা মান্নবা খুফোংদোকসু অদুমক থেংনৈ । মান্নবা মওং খরসু অদুমক য়াওগনি। খরা তোঙানবা শৈরেং খরদং পনবা তারবদি-৯৭ শুবা শৈরেং অমা- "কদায়দা লোৎখরে" হায়না ৱাহং অমগা লোয়ননা ইবা শৈরেং অমা য়াওরি। লমদম অসিদা লৈপাক নীংবা শারগা অকন অরেং শীংবা, মীগী মরল মথুম লৌথোক্লবা হোৎনবা মশাগী কান্নবা নুংঙাইবা থীবা, কনাগুম্বা খরনা মরৈবাক নুংশিবা শাদুনা তৌরিবা মওংবু য়ানিংদবা উৎপা ফোংদোকই। "কদায়দা লোৎখরে, লৈপাক নীংবা শারম্বা, নখৌ পোংনা লাওরম্বা, নীংতম্ মাইখুম উৎলম্বা, লাক্লে তাঞ্জা অদু উৎলরো নখোয়গী নথৌনা করিগী লোৎলি কদায়দা চৎলি পাঙদবা অয়ম্বা মতৌগুম " য়াম্না ময়েক শেংনা অইবনা শৈথারি।

অতোপ্পা শৈরেং অমদা, লমদমসিগী ঈগী মরীদি ওইখিবা থৌদোক অমনা লাপথোকনহনখ্রবা ঈরৈচাশিংগী মফমদা নুংশিনা অপূনবগী পাঙ্গলনা ইমা লৈপাকপু ঙাক্লসি হায়না কৌশিনজবা, শোঞ্জবা মখলগী শৈরেং অমসু য়াওরি - " পুৱারীগী তাঙ্কক্লা তামহনখ্রবা, ঈরমদমসিগী ইরৈচাশিং, নুংশিজৈ ঐনা থম্মোয় শেংনা। কবোদা তখেলদা টেখাওদা, ইচিল ইনাওনি খঙনদা হিংলি, চৎনবী তিনশোন লাইশোন ঙাক্লি ইমালোন্দি খোম্থোক শুদরে ।"

শৈরেং অসি চূম্নগী মতম লেনবগী, নুংঙাইনবগী পংই ইবা নত্তে । সাহিত্য একাদেমী নই দিল্লিনসু হৌজিক ওইরিবা শৈরেংগী খোঙচৎ অমদি মসিনা তুংদা ওইরকপা য়াবা কয়াগী মরমদা কন্না হীরম অসিদা নৈনরি । নিরঞ্জন উসমগী শৈরেংগী লাইরিক অসিমক সাহিত্য একাদেমী নই দিল্লিনা অখন্ননা লৌখৎতুনা ফোঙখিবা শৈরেং অমসু ওইখি। শৈরেং অসিনা ঐখোয়দা লৈপাক নীংবগী ইথিল অমদি কাইহৌবগুম তৌররি । হৌজিক্কী মতম অসিদা লৈপাক নীংবগী শৈরেং ঙাইহাক্তগী ওইবা লাইরিক খর হেন্না পুথোকলকপা মথৌ তারে খল্লক্লি মরমদি ঐখোয়গী মণিপুর হৌজিক পাক চাওবা খঙলকত্রে। ঐখোয় কদায়দা,কনা কনাগা লৈমিন্নরি, করি লোল ঙাঙলি হায়বা কাওথোক্লরি। ঈবৈপাক নুংশিরকপা মিৎকুপ্তা, লৈমিন্নরিবা ঐখোয় পূন্নমক অমত্তা ওইনা নুংশিনরক্কনি। ঐখোয়গী লমদম, ইরমদমগী পাক চাউবসু খঙলক্কনি। ●

—মাখোনমনি মোংসাবা

ৱারী ককনাউ

# ঐনা শোয়বনি

"হৈমা চৎলবো?"

"থবক অমত্তা চৎলুখিগে"

"কাইদা?"

"হংনীংখ্রপোৎনি"

"হংদবা য়ারিবো সিবো"

"অঙাংসু নত্তনা, ঐসে পেন্সন ফংলবনে, কাইদবু চৎলুনেগে, মী অমত্তা উনরুগে তৌবনি"

"মীদু কনানো হায়বনিদা?"

"অদু খঙলগা নঙ কৈদৌনগে হায়নো?"

"হংবসিবু য়াম্না কাইরবরা?"

"কায়বগী ৱা নত্তে, য়াম্না তুকা থিগৎলকপদুদা হায়বগী ৱানি"

"শেল হায়দুদি কদাই?"

"লৈতদনা পীদ্রিবনি, লৈরদবু ঙসাইনা পীরোইদ্রো?"

"কৈনো লান্ন-থৌরমদু ঙসিনি, পোৎয়েং য়াওদনা কমাইনা চৎতুইনো? লুহোংবা ওইরদি হয়েং পীরসু য়াই"

"অদুগীনি ঐনা চৎলিসে"

ৱা মখা তারমদ্রে তা রাজেনদু অদুম মখোঙনা থোকখ্রে। মাগী নুপীনা শেল পীরম্মু হায়না লৈকায় মী তানবা লাউহৌরি। থৌওইনা কৈমতা খুন্মমদ্রে। তা রাজেন, থবক মচা অমা তৌরম্মী। হৌজিক্তি রিটাইর্য় তৌরে। মী অমা ওইনা য়াম্না হে শিংবসু নত্তে। মাগী ফংজবা শেনফম খরনা ইমুং মনুং পুজরম্বনি। হৌজিক্তি তোলোপ ফংখিদবদগী ইমুংদা ইশৌ মচা মচা লাংনবা হৌরে। নোংমতা অকনবা ৱা হায়বা হৈনজদবা তা রাজেন নোংফাদোক মাগী নুপীগা খোন ৱাংনবসু অদুম য়াওরে। মসি মতমনা পুরকপনি। লৈদি লৈতে, শেলগী মথৌ তাবদি হেনজিল্লকই, লৈতদনা মতৈ-মনাও নিংঙাই তৌনরগা চিন খার পেন্নরগা অদুম নুঙাইবোই ফবোই তৌদনা ঙাঙনরিবনি।

তা রাজেনদু থোঙ্গাল য়ৌরগা কনাদা হংগদবনো হায়না ৱাখল খল্লগা লেপ্পী। হৌজিক মা কদাইদা চৎকনি। কনাদা হংগনি। আইদিয়া অমা লাকপদগী মমায় অৱাং ওল্লগা গপ-গপ লাকই। থায়না মাগা তিন্নজবা সনাজাওবগী থোঙ্গাল য়ৌরে। গ্রোং গ্রোং চঙশিল্লি। সনাজাওবসু শুমাংদা নাপি ফোইদুনা লৈরম্মী। অহল ওইশিল্লক্লবা হায়বসিদি সি ঙাক্তনি। যূমগী করিগী থবক খরা তৌরগা মতম লেনবা নত্তনা করিদি তৌনি। মাগী থায়নগী মরুপ রাজেননা শুমাং মচিন্দা লেপ্পলবদু উবদা হরাওনা কৌশিল্লি ।

"ইশ! কুইরেদা, লাও ফমসি লাও, কদাই চৎলুরিনো?" কমদৌরি নুংঙাইরিদনা"

ফিদা থাদুনা ফম্মিন্নরে। ইমুং মনুংগী লৈত-লায়রগী অৱা নুংঙাইগী ৱারী কয়া অমা শানরে। সনাজাওবগী মমৌনুপীনা লোল্লকপা চা থক্তুনা মখোয় কয়াদি নুংঙাইরে। কুইনা উনদ্রবনিনা ৱারীদা ৱাংত্রে। রাজেননা লাক্লিদি মাগী অচিনবা খরা শীজিন্ননবা লুপা লিশীং অমত্তা ৱায়গে লাকপনি হৌদোক্লরে। সনাজাওবনা পুথোক্তুনা পীরে। রাজেন শ্বর হোন্দোক্লে।

"ইতাও ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদা লাইদা নীজরকপা অমা লৈ। ঐনা হয়েং চাওরগা শেল পায়হনবীয়ু হায়দনা অদুম খুরুমজদুনা নিজরগা লাকই।"

"অদু কৈদৌরবা?"

"শেলদি ফজনা পায়খ্রে। ঐনা নোংমদা থিখ্রিবা শেল মশীংসি য়ামখ্রবা শেলনি। শেল থিবদা খ্বাইদগী থুনা অমদি হৈ শীংবা, অমুক্তা লান্দবা মীনি হায়না ঐগী থবক তৌমিন্নবশিংনা লোইনা হায়নৈ। উপু উপুনি ঐনা শেলসি মপূন মপূন, মরোল মরোল লোন্দুনা থমখিবা, শেল থম্বা উপুদুগী ছো ঐনা পায়দুনা য়াম্না চেকশিন্না থমজখিবা, মথৌ তারকপদা উপুদগী মপূন মপূন শৎ শৎতুনা শীজিন্নখি। মণিপুরদা লৈরিবা ইনাক খুল্ল-খুল্লবা ময়াম্না পায়রিবা শেলশিংসি ঐনা লোইনা পীখিবা ঙাক্তনি। ঐগী ইখূৎতগী চৎখিবা ঙাক্তনি। তশেংনা ঐ শেল পায়বা মীশক অমা হায়বদু চপ চানা ওইখি।"

"হা হা হা হা!!! চুম্মীনে, ইতাওদি বেঙ্কতা কেসিয়র ওইদুনা শেল য়াম্না পায়রম্মীনে"

"মদু ঐনা লাইদা নিজবগী মহয়নি হায়বা তাইয়ে, ইতাও। য়ামখ্রবা শেলদু ঐনা ঐগী ওইনা নোংমতা লুপা অমা ফাওবা শীজিন্নবদি ফংখিদে। পায়বগী জাৎতদি ঐঙোন্দগী হেন্না পায়বসি লৈরমগনি থাজদে।"

"চুম্মী ইতাও লাই হায়বসি লৈতেগাইনা হায়বদি য়াপোৎতেকো। ঙসি লাইনা চানবীবনি। নঙনা হেক নীংজবদু লাইনা থুংহনবীবনি হা হা হা হা !"

"অদুদা ইতাও ঐনা শোয়খিবা অমা লৈ। ঐনা, ঐ শেল পায়জগে হায়না লাইদা নিবগী মহুত্তা, ঐ শেলগী মপু ওইজগে হায়না নিহৌদবদুনা মরম ওইরগা শেলদি পায়হল্লগা, শেলগী মপুদি লাইনা ওইহনখিদবনি।"

"উম! চুম্মী ইতাওনা হায়বা, ইতাওগী লাই নীংবগী মরোলদু খিতং শোয়নখ্রে।"

"ঐনা শোয়বনি"

"মানি ইতাওনা শোয়বনি"

"মতুংদদি লাই নীংবদা ইচা ইশুশিংদা শেল পায়জগে হায়না লাইদা খক নিরোইদবনি, শেলগী মপু ওইজগে হায়না নিগদবনি হায়বসি তাকপীবনা চুম্মে ইতাও"

মরুপ অনীদু নোকপা য়াবা নোকমিন্নরে। কোন্নথংদা তা রাজেনদু মাগী মরুপ সনাজাওবদা কায়না য়াথং লৌরগা ময়ূমদা হল্লকখি। মফি শেৎতুনা লান্ন-থৌরম য়াওবা চৎকদবগী ঙাইরবা মাগী নুপীদা লিশীং অমদু শিন্নবদগী তা রাজেনগী ইতৈমনা খুইরপ তৌরবা মায়থোংদুনা নোকফেৎ তৌরগা হরাও হরাও লান্না থৌরম য়াওবা চৎখি।

—নরেন্দ্র নিঙোম্বা